খুত্তেকপদুবী শৈরেং



কে: ধীরেন

খুত্তেকপদুগী শৈরেং

অইবা
কে, ধীরেন

মমল রুপা ৬.০০



অহাম্বা ফোংবা

মার্চ্চ ৩১, ১৯৭৬

অকোংবা—অইবা

লাইব্রিকসি ওন্নমক অইবগীনি ।

নম্কমঃ—খোংনাংথাবা প্রেস, লমলোং কৈথেল । অফোংবা—অইবা

M. S. K. A. না শেম্নুং পিবা

মতুংদা

খুত্তেকপদুগী শৈরেং

খুত্তেকপদুনা ইথি—
শৈরেংবু পাউখোং ওইনা চনখি হিংলিবা কাংবুদ
শকখি অশিবগুম্না মীওইবনা, ভাখি নুঙাইনি খনবদ।

কিশিনা কিরিবা কোম্না থোকপা ওম্নবা ইরাই লাইনা
খঙনিংবা কাংবুনা পুন্সি হায়বদু করিনো হিংলিবা
ঐগী রাহৈ ময়াম অসিদা য়েক্কুনা শেম্বগুম মচুনা শক্তম কয়া
নঙনা পৃথ্বীদ লৈরে খঙলকপদৈ ঙসি ফাওবদা হংলক্লিবা রাহংশিং

অনৌবা লাইওং খংদ্রবা লাইনানা নারবা
শিগদবগী ঙাইদুনা লৈরবা চৎনবী য়াওদ্রবা
হকচাং অদুনস্তু হংলম্মী—"ঐবু কৈদোৌঙৈ ফরক্কবা?"
মদুগী পাউখুম ওইবা য়াত্রা? য়েংসি-য়েংউ খুত্তেকপগী শৈরেংদুদ

চেদ য়েকপা পুন্সি ঙাক্তুগুম ওইরক্লবা
মীওইবৈ ঈ-তোংশা কয়ান, ঈশিংন উন মপং ওইখিবগুম
পুন্সি খুদিংমক' সোরোক ময়াইদা খিন্নবা
নুংঙৌগী শক্তম ওইরক্লবদ চৈরোংগুম্ব শরু পোলাংগী,
মতম'দুদ ভাইবং শেম্নবা, অনৌবা মী শেম্নবগী
মন্নগী শ্লোক য়াওরমগদ্রা,য়েংসি-য়েংউ খত্তেকপদুগী শৈরেংদুদ।

চাউখৎপৈ অকনবা নোংনৈ মুংশিংনা
মীওইবৈ মুংঙাইনবা চীংগুম্বা ইন্দ্রি ময়ম্বু হুমদুনা পুখৎথ্রবদা
অকনবা অনৌবা মুংশিনবগী, চিংশিনবগী শক্তি অমা
পৃথ্বীগী চিংশিন্নবা শক্তিদগী শকক চাম হেন্না শক্তি লৈবনা
চিংশিন্দুনা 'মুক খিনবা ঙমগদগে, 'ডুগুম্বা চীংডুমহৌ, মুংগী মুংঙাইবা
অনৌবা ফোরমুলা চি শিন্নবগী শক্তি চাম হেনবা য়াওরমগদ্রা?
য়েংসি-য়েংউ খুত্তেকপদুগী শৈরেংহুদ।

নোংদম্বা হায়বা খোয়ুমদো
মীওইবনা ফাদুনা করিগুম্বা. মশাগী মরাইবক মশানা লেপচরফাওবদ
পেন্দবগী থম্মোইদ পান্দুনা লৈরবা মীওইবনা
থাবমৈথ পেনবা য়ানবা পেন্দুনত লৈরবা থৱাই শাবা ঙম্নবা
অনৌবা ঈশ্বরগী মশকপু উগদ্র? য়েংসি-য়েংউ খুত্তেকপগী শৈরেংহুদ

থাজবদগী ঈশ্বর ফংনবা তান্নকবা
থাজবা মাংলবা তাইবংপানবগী থম্মোইদ
পিবা ঙম্বা য়েংশি অমুক হেন্না থাজনবা তাইবংদ
মহুমক্না ঈশ্বরবু মথৎমক্না ফংবা ঙম্নবা উপায় য়াওব্রা?
য়েংসি-য়েংউ খুত্তেকপদুগী শৈরেংহুদ

ফিংবগী লাংদগী নাম্ভোকপা ঙমজদ্রবা
থরাই হায়বা শিংননবা হিংজরিবা
হকচাং অদুদ অমুক্ত তাইবং জগৎকী য়াইফনবা খনবা!
থরাই অমা ওইরকপা ঙস্ত্রা, য়েংসি-য়েংউ খুত্তেকপদুগী শৈরেংদুদ।

পেন্দবদগী শিজনিংবা
পেন্ননবা হোৎনবগী ফংনিংবা র্খল অমদা 'মুঙাইজরকপা'
পেন্থোকপদগী সমাজদ খোঙফম নৈত্রবা, খুনাম মুৎকদোরবা
মীওইবা সমাজদা চপ মান্ননা থম্বা য়ানবা,
খল ওন্নবা য়ারমগদ্রা? য়েংসি-য়েংউ খুত্তেকপদুগী শৈরেংদুদ।

লমথুংফম খঙদনা ককঙাওনরিবা, চিরোল খারোল তৌদুনা
মিংচত্তা ঙাওজবা কয়াগী মিংচৎ ফংননবা পান্থে
মুংশিবদা ঙাওজবা কয়াগী মুংশিব ফংনবা পান্থে
পান্থে অমা হেক্তা মখোয়গী লমথুংফম য়োনবা পান্থে;
পান্থে কয়া য়াওরমগদ্র? য়েংসি-য়েংউ খুত্তেকপদুগী শৈরেংদুদ।

আঃ—
মানা মথুৎ তেকলমদ্রবদি
মানা মথুৎ তেকলমদ্রবদি—।

ঐ হিংলিদঃ

সুমিৎ থোক্লি
খা থোক্লি
থরানমিচাক ডাক্লি
ঐসু হিংলি
সুমিৎ তাখি
থাশি ওইরকখি
অদুবু,—"ঐ হিংলিকো"
চমপ্পরকই খল্লুবদা
হিংদ্রমাল্লে অমুক
সমাজসিদ ঐ
রাখল নৈত্রবা মীওইবদা
মচা মর'গী, তাইবংপানবগী
অমা চৎথ্রগা অমা লাকপা
মী কাংলুপ মাংখিদনবা
হিংখিব্রা
হিংলিব্রা
হিংলকখিগদ্রা ?
ঐদি হিংলিমাল্লে
ঐ হিংলিদঃ ।

ইমুংদগী বারী

মপাচনা হাম্বকম্বী
ঐগী পাজিন। থনম্বা
পুযা পুরন তবিবা
ল ইরিক ভাগেনি অবিন ।
তুন ভসি ঐনা শিন্নবল্লৈনসি নাশ যদা
ঃ ০৩.ন য দা । ঃ হনবা যদে ।
সপাক্তনা নৈখিঞনা ম তুংদ
মচাক্তন 'নুক কোন্দুনা, নৈহৌবে পুয়াখিং
হংন ল বখি লাইরিক ইবা অগা নৈননবা,
পিখিদ মচাক্তন। ল ইওইবব পুয নি নিংদুনা
লান্দুনা থরখি নৈবি ভসিফাও—
পুযা লোইবিবা নুপাদু,মশম খাক্তনা।
মখুজিন খাক্তনা, নৈখ্রে পুযা মযাদ
মযুম পানখিদ্রে ব্রহ্মচাবি চৎখ্রে ।
মনাও নুপাক্তনা পুবখি—
মশম তখ্রাই কবপি মীতৈ নুপী 'মথক
পুমশুপ শুপখি ইমুংদুদ, মাগী ব্রাখল মখাদ
মনেশ্বোরা কপখি—
যু ভাওখি নুপীজন।
লাইবিক হৈবা মরাদু, মানা ভমখি ফজরুবদগী—
পুযা কোন্দুনা ভাওরিবা, ময়াম্বুংদু চৎখ্রে

ফৈয়েংদ—

অন্দ্রোদ—

পুয়া ময়া'ম পাকনবা

নোংচুপকী চৎনবী পামজবী,

মরা মপুরোইবদু চেনখ্রে—

নুপীদুগী ফজবদু খুইথাশিদনবা হোৎনবদ

ফাদোক তাখ্রে, হ্রানোম শেল চারুবদগী

মখাদুনা ইমুংদ

শিদুনা লৈরম্মী মক্তে মত্তা—

মচা পোকচবগী মকৈ—

ঙন্তা চাখি হন্নবী

পাল থাখি, হন্নবী— ।।

মায়েক্ত

ছাওরৈবী শম্মুবী ওনখি
শুরা শাম্মুলেম্বী, মৈদিঙ্, থোঙনাওঙম্বগী
মু শি মশু্ংলাংগী, অঃ মু শিবা মুংশিদকো!!

লাকখি মীযাম—
মীযাম, পৃথীগী বৈশম্মশং।সদ
যোৎহ্লিং থাংজুনা বন্দি ওইনখি অপাম্বদগী।

ল'ওরকখি,
চিংখংপিযু ঐবু
পুনাগী কোংসিদগী, লৈজনিংদ্রে পৃথ্বীদগী
নতুং ইল্লকবা, নতুং ইল্লরুবা, চৎমিন্নবা
মসিনা পেন্দবগী ব্রা ওইবমাল্লে, সমাজসিদ হিংদনবগী।

চাওববা জগৎকী
ফিল্লবা মাগী কাচুদ, মমিৎ পাংন মমঙ মঙখি
কুনশুবা শতাব্দীগী ফোরগ্রেড চম্পাসী অমনা
মুংগী মীতৈ জাতিগী, হৌখ্রবা ঐখোয়গী জাতি
ইতিহাস পবিং অমদা মানা উখি—

মীতৈ অহল অমনা,
মোংয়াম্বা নিংথৌবু কৌরদুনা কপখিবা

লাইরিক ইবা অমনা
　　গরীবনিৱাজ মহারাজবু নিন্দা তৌখিবা
চাক্লিবী লুখ্রাবী অমনা
　　ভাগ্যচন্দ্রগী খুনাম থিরদুনা চৎখিবা
মরৈবাক নুংশিজবা অমনা
　　১৯৪৯গী ওক্টোবরগী তাং১৫গী পেন্দাবা
　　বোধচন্দ্র মহারাজনা ঈরৈবাকচাগী য়েংবিরমবে ॥

মমঙ মঙবা লোইদ্রিদ্রৈঙেদ
হৌদোরকখি মাগী মরুপ্প।
　　লৈবুং ফমদুনা বারেল চংদুনা
নৈনখি লুরবা নৈবাক্কী, পৃথ্বীগী—
　　　　অমদি ময়ুমগী
লমচৎপু খোঙ্গাওনখি, হিংনবগী লানফমদা
　　লানঙম ফিরান থেৎলবী লুখ্রাবীদা
　　জীববু য়োকখৎনবা, মীনুংশি য়েন্থোক্নবা
　　মচাবু মহৈ তমহল্লী, মাগী হকচাংনা
　　নোংমগী অশিৎপা মমন্দা য়োন্দুনা ।

মাগী নুংশিববু বিশ্বপ্রেমগী নুংশিবনি খন্দুনা
　　পাপ-পুন্য থিখিদে,নুঙাইনবা হোৎনবদা
　　মীৎকুপ অমত্তং নুঙাইবনা পুন্সিগী মহাওনি খনখি ।

শৈরেং/২/৭৬

মকোক য়াঙত্রবা,
হুজিক্কী মীয়াম্না—
থাইনগী মল্লবা বোনুংগী মতোন্দগী
অমুক ৱাংনা পায়খৎখিদুনা লংজ গুম্না
য়েংথরকই, "গনতন্ত্র"গী গনতন্ত্র চৎচবা প্রজাদ
ভোট সুমিন্তুংদ ফংজবা গনতন্ত্র-"গনতন্ত্রগী অর্থ ওইনা"

অসিগুম্বা ইতিহাসকী
অশোয়বা কযাগী মায়োক্ত, মী কয়া মফি শেম্লি
মফি শেম্লি ওরাংদগী, ওসিস্তু শেমখিনি, হয়েংস্তু শেমখিনি।
আঃ— কৈদৌঙৈ মথৌনা'ডু উজগদবা ইগিৎসিদ।
অশোয়বশিংনি চুমথোকখিদুনা, মখোয়শি সিগী ময়েক্তা
অচুম্বা অমা পুররব, মফি শেম্লিবডু লোইশিল্লকদবা?

লমশি মরূ

শজিবুনি অয়ুক্কি

শাংগলি তংগাংনে ফজরবা অত্তোরগুলাব
বসন্ত কৈথেল. সুংশি কৈথেল
পোত্থ নরে থম্মোই অরাবা কোঙ্গাই
সুংশি নাপ চিংখোল তন্ন তম
থেঙ্গনৈ, চিঙ্গৈ, খুদোলনৈ
পাম্মু, খুদোল, তেথেল্লে মাচোম
মোল্লাংথাদ, সুংশি নাপদ মপুংলাং ।

থম্মোই শোকপা কনাগী
কাম্নদ তেংথা তে থাথোল
থম্মোই শোকপা থম্মোইথোল
চিক্ক-চিক মিকুপখোল
চৈখুংলোংগী-চখুংলোংগী
লাংশিললোই শদা য় উথোং
পোক্লবিনি ।
তারিবেংইয়ে সুংশি হাকচ
শুরংবিনি ॥

বসন্তদা কেন্নে উমা মচোম তা
ছুম্মে যেল্লিং, তম্মাল্লি নৈশাঙ
শিংগেল কয়াগী নৈশাং কয়াগী
কঞ্জবী, নিংথিবী; কদায়া কপোমদা?

লেপ্নি—
য়েংঙ. কোয়েং য়েংই
মাইকৈ খুদিং লৈন লৈ
        শিনত্রে শরা শন্না চমন্নবা মৈখু,
        থংকোদ মাইকৈ খুদিং অরু মৈথু:
চরা কেনবগী তেংথাখোল শাগী লমচৎ শারমচৎ
অচোবনা মচাবু নৈহৎপা, য়েংহৈত্রে, লৈহৈত্রে তাইবংপান
        য়েংথিগঙ্গা ইমা, 'সি য়োরফাওবদা ॥

        নোম নোম শগাক্ট তোং
        চান লৈতে তথেল থাং
            লৈরক অমা শৈশাক অমা
            লৈনাক্ট খুদিংগী লৈব ক্ষি সেবা
            ওইজব থিবা মীংচৎ, মৈরা, তুক্কচৈ
        ওা ন্নানা থাংলবিলি ইমা—“য়েংখঙ্গা?”

কেল্লবাইয়ে
ইমাগী শমজিরৈ মচোম্ন তা
চৎলবোইয়ে
চাক্রিবাগী ফিজেৎ তম্ন ফোং
থম্লিবোইয়ে—
ফায়বা ইনবা নচাশিংনি লিং

কদায় !—
পলেম ভাংজ ফৈরা থক
য়াহিপ্প—
খোম্লাং খোমজিন খোয়থুম্ম চুপ
চাউখিবা— -
চবৈ নহোং নমদ পো
য়োকখিব—
খারি লবুক্তি মহয় চা
চউমখিবা—

পলেম মাগী ফৈরাম্নুং
অঙাং নাউরা ওইরিবৈ
তাদিং জগোই খোংঙকৌন
নমাগী ননাৎপু শকখঙহন্
য়োক্লকপা, থাক্লকপা, মিবক হিলহক্লকপা
কাউগ্রবোইয়ে পলেমগী লমনদি—?
লুদ-তোংদ ঈগী ঈচেল কংলবা
থরাই য়াওদ্রবা হকচাং পোলাংগুম, লেপ্লিবা
উরত্রা সমাজসে ?

হা কৈবু কৈওইবা
ননিং নমাং হেত্রোং হো
নতু লৈম কাং কোক

কদায় চৎখে
নপাবি নগোম ইমাগী

কং[illegible] ইননা ইমাগী [illegible]থোং
মিংলুদ [illegible]রাং অ হান ফুহন শিন
[illegible] থাং [illegible] দ নবিন্নুং—"অরাবনা"।

খোম্না [illegible] শি ডগাদ্রে ইমাগী
চাহনবুং ওত র নওস্ব ক্ত

তং[illegible]ববা [illegible], ল ন[illegible] নকি [illegible]মদগী
[illegible] [illegible]হিবা যুম থ খাদি [illegible]বুক
[illegible]দ্রে জগোই মুদাইবগী, [illegible] নতুনা

নঙগী নওস্বাক চাওখিব নচাশিং
কল্লক- যংথিনবগী থাং শংনদুনা
[illegible], [illegible]নরে, মচু [illegible]দবগী—
অসিনা পুন্সি
[illegible]কুপ অমগী তাইবংদ

ও অরাবনি
নচা খু দংমক্কী মশানা
নঙগী নওস্ব ক্ত ম্যাতাররি, শিরং তুংদ
শোক্রমু ইমা কান্নদ্রবনি ওইকম্মু মশাদু
ইমাগী নত্তে নৈবাক্কী যেংথিবনি
ইমাগী য়েক্লবনি, লমশি মক ডাঙনি।

কপ্পু ইমা !
কপ্পকনা নথৌনি
যুমথোং খুদিং চং চক্লিবগনি ॥
শুমাং খুদিং লেপ, হিনিরগনি ॥

ঙরাংদগী ঙসি

হে ফাথিবা—

নঙগী খোর্জৈনা যেক্লম্বা খুন্নাই
অরিবা লাইরিক পুম্ব, পুদিন
অচুম্বা রায়েন, চীং তম মীত্রেবাক
শৈশক্লরোইদকো শেদম্বা—অরাবনি !

মিনাৎবনা থিরি, মৈঙান !
বদাইদনো, কনাইদনে মৈঙান !!
'মুক্ত য়েংজগেনে মৈঙান !!!

খুবম্মুসি লাও কৌরু
অশেংবা মৈতৈগী খুভম
'মস্তা ঙাইজরবা লাইফম

লেপ্তুবা মতম্না কুমওল্লকবদা
অঙংবা নুঙন ঈশাং- থাংদ
লেপ্তুব রাখল ঈচেংগুম
হোংলকই খুন্নাই-"মংম্ম"
শকোকপু পাসিবা, মহাভারতপু কাসিবা
পেনাবু খোংসিবা, সীতারবু খৎসিরা?
খংদ্রে, ইখুৎসিনা
খোংহনগদবা ববিনো?
থোকহনগদবা ঙ্গরদো ?

মখোলভবু থোক্লবদি খোংলসিন্না
থম্মোই ছবদি ঙম্মুদ;
কৈদৌরুনি-কৈদৌরুনি-খোংজরোই ।
নোঙথক্ত তিন্নাং শিৎলগা;
ভারক্তনি ইমাইদা পোপ ॥
থাজদ্রে—
হকচিক লাংলুরগে, ভুরেন মপান্দ
শান্নবা য়েংলুরগে ঈয়াইদা-মেরাগী থাবলনা
কাউবা ঙম্নগদ্রনে-?
মাগী মৈচাক্তো, মাগী মৈচাক্তো
সুংশিবা ! সুংশিবা ! সুংশিবা ॥
খনকম থঙদ্রে—
" ভুমদুনদুম লৈথোক্লগে
চঙক্লরে ! চঙক্লরে—
অমম্বদা পোৎ থিক্লবনা
ফংলয়োইদকো ফংলরোই ।
হো হায়য়ো
হৈ-হা, হো-হায়য়ো
হৈ - হা ।
কয়াম রাৎলি লমথুংকম
লাপ্তরে ! লাপ্তরে !! য়োরন্নিদ;
মাংদ উরিবসিনি—"লমথুংকম" ॥

কৈদৌকপদবনো মালিনী
ঈশ্বর মাদি লৈর ম্লাই
কদায়দনো—কদায়দনো ?
কনানো—কনানো—লাওরক্লিবসে ॥
তাও—তাও—
"খুডম মুৎফদে ঐহাক্কী
শায়োক্লহুনা লাক্লগনি ।"
ফারবাক্লগী সেক্লফালাদ
শেলগা মীওইব' ওল্লিবা
কনানা লুম্লবা
লৈহাউ, ঐগী লৈহাউ
শাৎলরে ঐখোয় লৈকোল্দ
চিনিচম্পা, কেতকি, জুবাকুসুম
কদায়, "লৈহাউ পাম্বীদি" ?
মীগী তাক্ত, মীগী তাক্ত ।
মাল' ইচিক থেম্লুবি—
হৈনম লৈনমগা লোয়নরবা, ঘসন্তগী অয়ুক্ত ॥
শাবি লাও লাও; চৎসি লাও
কল্লকপা য়াম্মী, কক্সাওবা য়াম্মী
মাংদ থারো লাও—।

কে-নবদা চোকথরবা হকচাংসে
　　সুংশি মাগী মতম্বাক্ শুচাই তুমথুন হল্লিরৈ
　　খোম্লেন মঙলান চাদবু—মওংগ্রম্নরকইদ: ॥
য়ারেদঃ ইমাদি—
খুজেংদগী খ্বাং, খোরি, কোক
কোরো শিংবুম অতুমদং
　　　নত্রবদি ইমাদি—।
মঙফাওনরোনে ইচাশা
ইশুশিংনা হংলক্রগা নখোয়না
পাউথ্‌ম পিগনি-করম্না ?—
　　নোংঙানগ্রবদি, হয়েংদি
ইমাদি,—হয়েংদি... ....।

মন্ত্রিগী ডাইরি

ঙসি মন্ত্রি ওইবা সুমিৎকী চাকলেন চানৈ,
য়ু গ্লাস থেঙ্গাইনরগা থকচিল্লি, হরাওনৈ
হয়েংদি পাটিগী মীটিংনি,
হংচিৎতি যাত্রা হল্লুনি
মশেমদি শঙ্গাবা চৎকনি
মরোদি টুর প্রোগ্রামনি
মকাকতী—পব্লিক মিটিংদ য়া ডাংগনি
মছিৎতি—বজেৎ সেসন ফমগনি
সুমিদাং থুদিংনা অরোনবা কাদ
অমম্বা কাদ, মী উবা য়াদবা থবক
　　মসিনি মন্ত্রিনা থল্লিবা
　　লৈবাক্কীদক অচোবা রাখল
লৈবাক্কীদমক ॥

মাগী পুন্সি

ঐবুদি মীনা শিংথানবিদে
মাবুদি পৃথ্বীনা শোম্নরি
কমদোনা খেন্নগ্রিবনো মীওইবা মশেলদা
মীওইবা ঐখোয় মশেলদ ১গা ১গা ।
ঊশিংনা মীওইবগী থরাইনি
সুংশিৎনা মীওইবগী পুন্সিনি
লৈবাক্না মীওইবগী হকচাংনি—
অদু ওইরবদি ঐ কনানো ?
মঙ কনানো ? মা কনানো ?
কমদোনা খেন্নগ্রিবনো ঐ,নঙ,মা—।
চাংদ, অকুম অয়াংদ
য়াথন্দ, অনেম-অরাংগী
অদুম্না খন্নরবা মীয়াম্না
মতুম্ন ঐম্ন য়ানিংলবা ।
থিরুসি শকহেনবা, নঙগী মিংচত্তু
পৃথ্বীগী মফম থুদিংদ
ও ।—ঐ কাওথোক্লুরে
পুন্নমকসিগী য়াংমদা, মাগী পুন্সি ।

অ[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible] লক্ষেশসিদ

[illegible] লক্ষেলতদ।

[illegible] ফেস্তত অমগী

[illegible] থোবকপা

[illegible] অমনা—

[illegible] শিরে খুদক্ক

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible] লাকবি—

[illegible] থেকি

[illegible] অবংবা [illegible] ওইরম্বী

[illegible] নিঙাই [illegible] বপ্পি

[illegible] পান্নবা

থমাজললবদি কান্নগনি

[illegible]

[illegible] থোখিরম্বী।

থর‍্ম লৈরগা হায়নরক্‌খি
ফিলোসোফরদু ভাওশ্রে
ভাওদুনা চৎশ্রে
লায়েংবা চৎখি
হল্লকখিনি ।
ফরকখিনি ॥
থাজদেশু হায়নরি ।
"থিজিনবদি ফৈ, খ্যাওরমগনি কারবা" ।
মচানুপাদুনা হায়বদি
পোৎকমদ থল ওন্দুনা
য়োম্পোল্লগা লাইরিকশিংদু
খ্যাওলংগী থরচ ওইননি ॥
লৈত-লাইর ইমুংদুগী র থল অদু উরগা
হৌদোং অদু তুমিন্না কৈশু থঙদনা কল্লিয়ে
হুই অদুনা মপুগী নিংবা কায়বদু উরগা
থোংলিয়ে !—কল্লিয়ে ॥
য়ুম্লে য়বগী লৈশাবীদুনদি
হৌন-হৌন শারল্লি-অর্থ করিস্ত থঙদনা
শৈরেং কয়া থাইনগী অমসুং হজিক্কী ।
হিজন-হিরাও,য়াকৈবা, মীওইবা অমসুং রাথল
হিংবা অমসুং মীওইবা,মিংচৎ অমসুং তুমাই চজিক ।

হঙ্গাম য়োনবী মমাহুনা
কাম্নদ্রে, তানিংদ্রে থম্বহুনা
থাজনবা মুপা অফবা থিরে ।
লৈকাই অমদগী লৈকাই অমা
সহর ১দগী সহর অমা
খুন্নং ১দগী খুন্নং অমা
অমমমদগী অহৈ অশিং থরদগী
পাউ থর-থর তাম্নরক্তুনা
"লাকখি, থিরখি, হংলখি
লাইরিক অরিবহু লৈরিব্রা ?

হংগী লাই

মরিংনা শাবা শংবাইবু
নাম কাংব হৌনব্রা ।
মেলাদগী লৈরকই —
হংনা শাবা লাই অমা
মতৈ মনাও অনিনা
শিব কিদথৈ শুখি
চাবা রাগুনা শিগ—কোঙ্গং কোককাইগুম নোম্নগা
কনানসু মথোয়গী পুক্নিংগী
রারি অমতুসু নিংশিংলুদে— ।
হংগী লাইচুদি অচুমক লৈহৌরি
আম্নহৌবি—
আগী মচা-মশুনা ।
হংগী লাই ॥

মসিস্থু হিংলিবদি

জাগৎ থাওবক্র—
ইমাগী [illegible] ক্ত [illegible] হৎলল
জ্ঞান তোপাক্র [illegible] ক্লৈ—
ঘুম পল্লে, লুঙাইরব—
চানবা থব তনশিংদ—পেনখি খরনা

প্যাগী ঈবং তজ্রা
[illegible] লৈনখিব [illegible] গী ব [illegible] সিনি
[illegible] কৈবনি [illegible] নাবিদ

[illegible]
সম জগ [illegible]
থাখ। খনান [illegible]
লই ন [illegible]
চ ব [illegible] নদবা [illegible]
লম্বোকনবি, [illegible] খি।

তদন, হুতিক্ষী [illegible] নদি
[illegible] গী [illegible] অহগী প্যিসিবা
হেন্না [illegible] মল [illegible] গসিংনি।

মৈত্রবাক্কী সমাজ

সহর।

হোটেল—"ঐজ্ঞা চা অমতা পিবিয়ু"

অমনা—"ঐজ্ঞা চানবা করি লৈ ?"

ও!—মকুপস্ত লৈবিরম্মী

করম করম তৌবিরি—

"মহাত্মা গান্ধীগী সত্যগ্রহ

অহিংসানা অথোইবা ধর্ম্মনি।"

য়াগদৌরিব্রা, ওইগদৌরিব্রা ?

খংদে মরুপ !

মদুগা লালগা কনানা ফগদবগে

খঙদেনে—

হুজিক্কী রাজনিতী কাংবুসিনা

মশা মশাগীত্ত খল্লি

প্রজাবুন ফদিগুম্না শুম্মী।

কৈতি কৈতনা,

মিংচৎ, মৈরা, লৈবাক্কী সেবা

নোক্তুম নোক্লিংই, নেতা মচা ওনদ্রিবা মকুমশিংসে

থাদোকপি রা প্রজাসিংবু, হরিবোল লাওনরে।

সোরোক, লমজাও, সিনিমা হোল—

থম্মোই পানবা শাবা, হুজিক্কী পাথং-লৈশাবী

মযুমদা তলফাওবা লোরগা চাবশিংগী
মুংশ চিঠী পরেং, খরচ তৌব ঙমদবা
মুংশিবশিংগী থম্মোই লাইমন "লাইরবা খঙ্গা কাংবুগী"
—হবেম্মা, রা অসিতদি তাবিখো—
তথি তথি হায়রগা ফেনাংনা কনশিল্লম্মী—
উপায় লেত্রে "ডেমোক্রোস"

এ। কনানো চেল্লিবসে
কারগীনো মকোক্তি ঙনা পুম্লুপ
হায়ারমক্তদা হয়াকে,—শেঙ্গাও লাকত্রে
শেঙ্গাও লাকত্রে, থংলো থংলো।
হাংলো। হাংলো।। থংলো থংলো।।
কৈথেল মথুং, দোলালি চাবা কাংবু
হঙ্গামপুনাসবু কয়া পিবগ মথায —
মান্নদে। কলো কাদবগী" 'নিংবা কায়রবা পোৎ লৈবা"
ফিয়োনকম। সনা লুপা য়োনফম—
লরাহ নিপজুদ, ফিয়োনবী মোনহাগী মিৎচিগী মমল।
ডাক্তবখ'না,
পুকচেল চাওবা মিৎয়েং
মখোং কোন্দুনা— 'ডাক্তর বাবু ঐগী ইমাচু........"
কৈদৌরবা? য়ারবদি অমুক্ত লেংলুসি-
লায়েংমল লুপা ২০, কারদা চৎকনি,-হিদাক য়াওদনা

স্নুক্কবিগন ডাক্তর বাবু,
মমা মুংশিজবগী মমিৎতগী পি চহুম চহুম
ডাক্তরনা পৈশা মুংশিজবগী মোমোম্নবা মীনোক
ঐদি লাইর মচানি, পৈশা লৈত্রবদি তোক্লেদনা।
ডাক্তর চৎগ্রে, অনাবনা মং য়োগ্রে।

রায়েলশং—
করি কমদোসি হায়রবা
উকিলবাবু ঐগী কেশসিদা ওমহনবিয়ু
পিয়ু হায়রবা শেল পিজগনি
মীগাৎপা মীগাৎগ্রে, অচুম্বা লানখ্রে
জজ্জ মমিৎ লোক্তাং তাংলে,
পৈশা, শেলগী অনোবা আনোক
অঙাবনা অশংবগুম, অমুবনা অঙৌবগুম।
মুমিৎ হাশিল্লক্লে,
য়ু য়োনবা দুকান কয়া হাংদোক্লরক্লে,
অহিংগী কৈথেলদা নকু শেকপী, অকিংগী হেলোম্ন
ওক্তবীগী অনোবা দুকান, লমচৎ য়াওনগ্রে।
জুবার শাম্নফম্
তরাতরেৎ লেপ্তবী, ফ্লাস, ছুরি, কু।
রম, ব্রান্দী, মমা লৈবাক্কী, সেকমাইগী, অস্রোগী কালৈ—

ম্নাথলবু শেরাম্নবা মওংদা
কদায়দা লোশিনপদোরি পুন্সি
কদোমদা ঙসিগী পুন্সি, এখোয়গী সমাজ
মৈতৈ সুপিগী মথৌনা লৈবী কয়াগী মথৌনা
ঙসিদি আত্তা য়োনবগী কিউদা, সের ফাদবা য়াম-আত্তা
শেল পাইবনা পৈথৎখিবনা চীংদ্রুম ফাজিনখ্রে
লাইরবন। লৈতৌখিবনা কোংকুৎ শাখ্রে, কুৎশিৎ কুৎখ্রে
মন্তম অসিদা কান্নরিব্রা,
লাইনিংবগী, কাং চিংবগী, পুজা তৌবগী
সংস্কৃতী থোরমদা লাইব তাল্লবা মৈতৈ
হরে কৃষ্ণ, হরে রাধে, হঞ্জিল্লকপা ঙমখিগদ্রা
১৬-১৭-১৮ শুবা শতাব্দী, হৌখ্রবা ইতিহাস।

কৈদৌঙৈ খঙনরক্কদবা কোন্নুগা

অনিশুবা থোয়োন হাওবগা
লোৎলম্মী চীংন্নুং অমদা
লোৎলিবা চীংন্নুংদুগী ময়াদ চৎখি
মশিং থিঙমদ্রবা লাম্মী পরেং পরেং
পরেং পরেং লাল শোক্লনবা—

(২)

য়াম্না লাপ্পা মফমদগী
ছুম্লকপা ন্নুংশিংনা ভাহনখি
ফৌশু ঈশৈ লংনবগী
মকুশিংনা পাইখি, লংজাশিংনা হৱাওখি
শেবপিশিংনা নোকখি, লমহুইশিংনা থাগৎখি
শিঙ্গারৈনা ভপ্পা কেনখি নোঙাল্লমদাই।

(৩)

অককপা মী মকোক কয়া কয়া,
(ফং মুন্নবদগী, থাইনগী মলোমদগী, ল্যালদগী)
লোক্কী ঈশিংগা লোযনবা ঈগী ঈচেল কয়া
কয়না পুথদুনা চেন্থরকখি, মীমকোক ময়াম
নৃঙ্গাই মরক্ত, হাওরৈ অথোনবগী ঈচেল— ।।

(৪)

উথি লোইনমক

কেকু লোৎলিবা খোয়োন হাওবনা
    ঙৈহাক লৈরগা তাথি
    লাল ঙম্বগী খোল্লাও—
ঙৈহাক লৈরগা অমুক তারক্লে
অঙাং-সুপিশিংগী মীকপ মীরাওখোল
    ইনক নরুনা পোথানরি
    ধম্ম শন্দোকপা সুপাদু
হাওবনা লৈরিবা ময়াদুদ
সুংশা মপা কোল্লদুনা ।

(৫)

অনিশুব, খোয়োন হাওবদু, অমুক থর চঙশিন্না
মী ঙদবা চৌংখুংদ তপন-তপন চিংশিনখি
মী উদ্রগা লোহরে, মতম ব্রাৎলি এইহাকী ।

অমহাদনি ঐথোয়দি

শল অপুম্বা মানবা মহাজনগী
হকচাং অতুনা লমহাং য়োরক্লবদা
মবুক লাম্বা লংজা, পাইবা ঙমদ্রবা
চরি তৎলবা লমহুই, থোংব ঙমজদ্রবা
কয়াদ হয়াওনা, মবুক থন্না চাজরিবা
পাইখ্রে লংজাস্থ
থোঙখ্রে লমহুইস্থ—
উহল লাংদ খুরিবা, মথোঙ নামা হাওগন্দুনা
পাম্বা কৈশাল অতুনা খল্লকখি অস্থম্না
হি ঙৈদি, হিংঙৈনি—
শিরবাদ ঐহাকপুস্থ
শিরবদি এহাকপুস্থ—
হাওবান শাজিগী শদোং, ঐনা লাক্লনা চাথিবা—
কে অদু হাৎখ্রে, খুল পুম্বা হাত্তোকখ্রে ।
ওক-য়েন মথৈদি,
অস্থম্না খল্লি মথোয়না
অমহাদনি ঐথোয়দি—
করিশু লৈতে হয়াওনিঙাই
মীগীদমক্ত পোকপিরকপনি, ঐগীদমক্ত পোকচদে ॥

অন্দ্রোগী মৈ

হিংলুগে লাকপা অমতা
শিদনা চনখিবা য়াওখিদে
অদুবু দাবীদি তাল্লম্মী—"হিংবগী মরম
চাওখৎপৈ
ইত্তোমত্ত মুগাইজবা
মীয়ামগী হিংজবা ॥"

কনাগুম্বগীসু—(দাবীদি)
শাবি লাও লাও চৎসি লাও
কল্লকপা য়াম্মী, কপ্পাওবা য়াম্মী,
মাংদ থারো লাও !
মসিগীদমক্ত অচৌবা অফিসার ওই
লৈবাক গাকই, হিংই
থবক শুই, শেল তাল্লি।
মীংচৎকীদমক্ত "তিনা শি"

নোংম নোংমগী হৌখ্রে
মীয়ামগী অতোংবা হোংদবা পুদুনা
মতম ! সমাজনা ! চৎনাবনা
অদুবু চাল্লি অন্দ্রোগী মৈ, মৈগুম্না ঙসিকাও ॥

নুমিৎ উদ্রবদা, মঙাল অমৈদ

(১)

মমা লক্ষ' ৮৪ দগী
থোক্লকপা জীব ময়াম্না
থিরি মাপ্পী মাপী
খল্লি ঐগী ঐগী।
সংসার অসি মসিনি
মফম অসি নত্তবা ॥

(২)

ঙসি ফাওবা চৎলি মহাক
নুংগী যুগকী মী'দো চৎখিগনি ॥
করিগুম্বা—
মাব্ ফংদ্রবদি মফম' সিদ
তারমগনি মাগী খুনাম
নুংগী যুগকী মীগী খুনাম ॥

(৩)

ইতিহাসনি নৈলেক্লোগদবা
মীওইবদনি মাংখিগদবা (করিগুম্বা শকফম ওনখিদ্রবা)
অনৌবা শক্তমগীদমক; অনৌবা
মতম অদুদদি;
রারী ওইগ্রগনি ইতিহাসনা—

(৪)

পুন্নমকসি ঈশ্বরগী খুজিন্নি
শোনসি ঐখোয় ময়াম্ন
মকশি মাগী লাইশোল ঈশৈ
খুরুমসি—" হে ঈশ্বর "
চাবগা ফিজেৎকা থাদবিরকউ, শুদ্রবস্থ
ঐখোয় নঙগী ঈশৈদ " শুজবা ঙমজদ্রে
নোমজবা ঙমজদ্রে ॥ "
নঙগী লাইশং কৎচগে
লাইশংদ জগোই শাজগে
জয় ' ইমা লৈবাক মাণপুব
পৃথ্বী মালেমদা " মণিপুর " খঙহনসে

(৫)

চহি লিশিং কয়াই মমাংদ
হিংলম্মী অমথক (জগৎ শেম্বা ঙম্বা)
চহি লিশিং কয়াগী মতুংদ
হিংলম্মী মীয়াম ॥
মসিনা ঘ্রাথল লৈবশিংগী
থম্মোইগী কাচিন্দ লৈজবনি
মশম হৌদবা কাংবুগী ॥

(৬)

চহি লিশিং কয়া—

কয়াই— মতুংদদি

সুমিৎকী মশক উররোই

হিমালয়দৈ উন কংথ্রগনি

পৃথ্বীদা জীব লৈররোই

অদুবু,

গ্রহ কয়াদদি জীব লৈখিনি

(অনৌবা খৃষ্টনা পোক্লমদাইদা)

অনৌবা সাইন্তিষ্ট

অহাংবা নৈনবা অমনা

ৱাখলনা.

ঙসৈথৈ লৈতবা ১দা মাচুনা কাখৎথ্রগা

মাচুনা কাখৎথ্রগা

খোঙ্খাং য়ৈনা লাওরক্‌খি

ইতুং ইল্লকউ

লৈফম লৈরে—ইতুং ইল্লকউ

লৈফম লৈরে ।

ও!

লমহুই মতৌ তমদুনা
ইরি য়োং কাংবুনা
অনৌবা কবিতা কয়া
সিম্বোলিজমগী, পেন্দবগী
মচু শগুলি, সমাজগী মম্নি তানবা
অমুবা থোপ্তা, য়োং মানবা মকোক্তুগী;
মখোয়না য়েক্লি,
মখোয-মখোয়গী লাইরিক্ত
মমল য়ামজরবা মীতৈ মুপীবু
মমল য়াওদ্রবা, লমচৎ য়াওদ্রবা পুন্সি ১ ওইনা
হায়কুরগা—
তিংবা হায়বসি লানফমনি
চাবা তায়বসি হিংননবনি
হিংবগী শিংনবা লানফমদা
লমচন্দি হায়কনু, লৈজবা পূম্বা য়োনগদবনি ।
লমৎচন্দি হায়কনু. লৈজবা পূম্বা য়োনগদবনি
কাওথ্রমাল্লে মপা-মপুগী য়ারী —
মীগী তুকচবা লমচৎনা য়েকশিনবীবদগী হোৎনরিবা
করম্বা য়োংগী উপন্যাস, কবিতা ১ দি য়ারেংনো ?—

থুগাইবতমক মহৈবা
মূর্ত্তি শাবদি ঙমদবা
করম্বা ?—
লাই শাবা য়োংয়াম কাংবু
লাই শাবা য়োংয়াম কাংবু
মখোয় 'সিনি সামাজবু শেমগৎলিবা
সমাজবু শেমগৎলিবা
সামাজ শেমগৎপা মাল্লিবা
য়োং তাৎতোবা হায়বদো
য়োং তাৎতোবা হায়বদো।
খিৎ তোক্লো মীতৈ লৈম
করিগী কপ্লি।
মীরান খাংবদগী লমজা পুদুনা
পোক্লকপা মচা কাংথুরা
হায়রৈনি নঙ নঙশিংনা
য়ুম্লেপ-য়ুম্বান চাবা
নঙগী তিন্নজবা কাংবুনা

থরোই অহাম্বা

অচুম্বগী যুদ্ধম ওইবা গান্ধীজীগী
লাইরিক অমা পারিঙৈদ
ঐগী মুপীনা
সনাগী লিক, সনাগী খুজি
ঙসিগী য়েঙ্গাং হোবেলগীদি
ইমুংগী হমুবগী অমাবগী হিদাক
লায়েংনবা পৈশা, ইমুংগী দাবী
চাডরবা অর্থনিতিগী থেসিস অমা
ঐখোয় ইমুংগী পুশিল্লকখি
ঐ ঙাওখি—
ঙারবা নত্তমাল্ল, লৈতবনি
নিংশিংলকখি—
রানোম্লম্বা মুপাদুগী শেল—
নাম্ব্রক্কুনা তারকখি
ফত্রাংদ থেৎলিবা ঐহাক্না
"নহা" ওইরিঙৈগী মীরাং ঘুরবা
ফোটো অদু থঙহৌদনা
মিজুৎখোংদ য়েংথোক্লখি
থেংনখি—
ঊখি—

শৈরেং/২/৭৬

ময়াংকংলবা পাডী শলদুদ
শাথিনা ফুবিথিবা মপুত্নুনা
মাল চিংত্রে হায়দুনা
ঐ তাথি,
উথি,
করিস্থ তৌবা ঙস্মুদে
ফমগা মীমুংশি পোকপা নত্তনা
ৱাল ঘডীদগী য়ৈরকখি
মাপল মথায়, মাপল মথায়
ঈকুজবা নংখিদে
অফিসতা অদুম চৎখি।
অস্থমা অস্থম হিংবা মীওইবশিংসে
নিউজ পেপরগী লামায়দা
ম্লোংকোক, হুইকোক
গধামকোক, থেবমকোক
পান্দুনা য়েক্লকখি কারতুন য়েকপদুনা
মসিনি পুন্সি তিংকাকোক॥

পাংথহল্লন্মী

পারি,

অঙাংঙনা লাইরিক অমা

ম্বাংলবা অধ্যাত্মীক্পা থল্লবা—"গীতা"

শক্তি ঈশৈ শঙ্গেনহাদুনা

সুরবা রাগ ভৈরবী—

তপ্না হায়রকখি নাকোংদ

করিগীদমক্ত হিংবিরিবগনা ?

খুম্লকখি—মড়ুদি খল্লুদেনা

করিগী ?

চৎখিবসিদি সুপা অমা থাদোক্তুনা

উৈহৈগী মত্তাওদা, ফজবা সুপিদা

লৈনি, হিংবগী অর্থ শোয়দনা

থোরি য়ান্দনা শিবম্লীবা সুপাড়দি

অপাংবা তাবে, লোনম খঙদবনিনা

অড়ুবু মা-মা। ঐ-ঐ !—

খোঙথাং খুদিংদ

ম্বাখল খুদিংদ, মীওইবগী শান্তি

শল ম্রাইনবদা শেল থানরি
থুম্ভু ভুনফমদা শাওনরি
মথা থম্ব শাংথনা
'মুক চৎলগা য়েংলুবদা
থেংনরুই—
পেনা শকপা অমথক্সা
থুম্রং ঈশৈ শকপদা ॥
ভাবা লাক্লিবা ভাবোক্লুনা
মকোক ভাওচুনা ওথোক্লম্মী।
মমিৎ চোৎপী হুম্বুবীজুনদি
নৈশারিডে ম্রাকম নিংশিংমুরগা
ইম্নিবা ফি থাদোক্লম্মী
কম্নাদ পামজনা ভোম্রবা
থাগী তলব
নোংমগী থরচ
বীড়ী মচৈ অমগী দম।
মজেৎ!
চাগা—চাদিং
থড়ংচোদনা অনাবা 'মা ম্রাওমকপদ,
মাংগী খোড়জেল লেপ্তুনা
তুংগী খোড়ফমদা হম্লকুই—
য়ুম লিশাম—

বস; লোইরেদনা ঙসি—
ইভোমতনা—
অঙাং মমা,অঙাং মরি
ইমা-ইপা অশোনবা
থাকপা ওয়রোই লোইরে ।
মখোয়সু মখোয়না খোকপা
ঐসু ঐনা খোকপা
ওইগ্রনি ঙসিদগী বাল্মীকি
থল্লদুনা পংথহল্লম্মী—
ফজরবা লিক্লীগী অহাওবা মহিদুনা—
সুঙাইবগী জ্ঞান ভাদবা মিৎকুপ
লৈতবগী অয়াবা মিৎকুপ
কায়দবা ময়াম নৈনবগী মিৎকুপ
পূর্ণমকসি ঐখোয়না য়ানা
ঐখোয় ইশাবু পংথহল্লম্মী—
ইশানা ইশাবু
মীনা মীবু ।

ফংলকপা মীংচৎ

সহর অমদগী সহর অমা
লৈকাই অমদগী লৈকাই অমা
অসুম্না মী কয়ানা
অসুম্না মী কয়ানা
মাগী মমিং, ঐগী ইমিং
মাগী মমিং, ঐগী ইমিং
ইমিং 'সিদং লৈহৌনবা
মমিং 'দুদং থমহৌনবা
চারি মীগী শদোং মীনা
ওৎলি, মীবু শাগুম মীনা
অসুম্না ওম্না মীওনা
ওইখি লৈবাক্কী নিংথৌরেল ।

মসি ফাওবদা থাংলি, থাজবা অমগী মথাদ
হে থাজবা নঙগী কান্নবা করিনো ?
মীগ মীগগী মরক্ত খেন্নরিবসিনা করিনো ?
খেন্নবা মান্নবা করিনো ?
অচুম্ব অরানবা করিনো ?

অমত্তম্ থঙদে

পুন্নমক্কী বাংমদা থিরি ঐখোয় ঐখোয়না
ঐখোয়গী মীংচৎ মীবু ওৎ-নৈহুনা

মীবু মীওইনা য়েংবা ঙমদবা
ঙসি ফাওবগী ৱারীনি, মসিনা মিংচৎ ঙানবগী
মীওইবনা পাম্নী মীংচৎতো, ভাইবং পানব 'সিদ
হৌখিবা ইতিহাস থিরুদে, ওইরকপা অদুত মথানৈ
অঙকপনি মীওইবা। মীবু মীনা খন্নরিবা
অমবু ময়াম্না থাজরিবা
ময়ামদা অমনা থৌদারিবা।

থোঙচৎ অমা

খঙদে কনা চৎথ্রবা ঐগী মাংদ
খঙদে কনা লাক্কদবা, ঐগী তুংদ
মচুম অমা মশাকই
নোংলৈ সুংশিৎ মরাকৃই
য়ৌগে খল্লুই ঐহাক্না
সুমিৎ তাথ্রিদৈ মফমদুদ
সুমিৎ ভাবনা মহানথি
শাওরুই ঐনা—"ঐগী লম্বেল"
ঐগী থোঙচৎ-
কনাম্বত্তা চোংথোরক্তে চৎমিন্নবা ঐগা
লেপথি ঐ অদুমক লেপ্তুনা
কনাগুম্ব "অমা" ঙাইদুনা
লম্মাংনরবা মফম অসিদ ॥

ৱাশক

মণিপুর ইতিহাসকী চমম্বা মতমনি
শামাম্বা লৈবাক কয়ানা, "স্টেটহুদ" ফংনগ্রুবা মতমদা
মণিপুর প্রজা পুম্বনা নিংতাইদনা লৈথোকখি
নোংমগী চরাগীদমক্তা, মাগী মুপিগী সনা খুজিগীদমক্তা।

"স্টেটহুদ" পাম্বা থম্মোই কাইরবা নেতা কয়ানা
মণিপুরগী কাচন-কোম্মা থুংনা, তুম্বা থুগাইদুনা—
"মুংশিজরবা ইমা ইবেল' দেশ বাসি পুম্নমক—
ঙয়েং অসিদংদি-মতম ঙৈতাক্তং মাংবিদুনা লাকপিয়ু
দুকান পুম্নমক থোক্ত লোনবিয়ু, কৈথেল কাবিনু
ঐথোয় পুম্নমক পুন্না চংমিন্নদুনা স্টেটহুদ তানসি"

মুমিৎ অচুমকি, কাংইজবুংদ—
শগোলমাংদগী, ককচিংদগী, মণিপুর প্রজা অয়াম্বনা
স্টেটহুদ তানবদা, ইম্ফাল সহর য়েংনলবগী—
অনকপনা মখোংনা, অরাপ্পদগীনা বসনা
থাবলনা শেগাক কায়রবা মতমদা
ককচেং কোকচাওবীনা মরি-মরি চৎপগুম—
খুরাই, খ্বাই, যাইস্কুল, ৱাংখৈদগী নেতাশিংনা লমজিংদুনা
কংগ্রেস, কম্যুনিস্ট, সোসিয়েলিষ্ট
লৈকায় পার্টী কয়া কয়ানা
সভা যাত্রা চৎখি, মীয়ামদা থঙহনখি—

লাওনখি
খোঙখি
নিলহলখি
তাহনখি—

স্টেটহুদ— পীগদবনি
ঐখোয়গী দাবী—স্টেটহুদ — —

কাংজৈবুংগী ময়াইদা শারিবা
নেতা কয়াগী না ঙাংফম,
মীয়াম্না উনবা শাবা শগাইদুদ—রাংখৎনা
চিয়ারমেন খল্লে, সভাপতি কমল্লে,—
দোল খুদিংমকী কিয়ালনা, অতিয়া খেৎনা পাইল্লে
সিঃআরঃপিঃ কাংবুস্ত মখুৎতা চৈ অমমম পাইল্লে
থাং তুপী উপল্লে
তিয়ার গ্যাস থোরাংল্লে
মেজিস্ট্রেট তৈয়ারিদ লৈল্লে
ওরদর পীগদবদি ঙাইল্লে।
নেতানা কাঁর হায়ল্লে
তাগদবগী প্রজা ঙাইল্লে।

নেতা কয়ানা ঙাংল্লে
অয়াম্বনা মান্নন হায়ল্লে—।
"ঈরৈবাক্তীদমক্ত থরাই থাদোক্তনি
স্টেটহুদ ফংননবা তানগনি।"

চৈরক অসিদা—

অঙাং লমহৈনবনা, খোয় মন্থম থিনগাইরুবগুম
সিঃআরঃপিঃ গী খাং তুপ্নীগা-সোরোক্কী নুংগা
চৈতুপকা মনজ্ঞনগা, বুটকা মরাইবক্কা
ভিয়ার গ্যাসকা, ভিহ্রেলো মরুগা
নোংমৈ মরুগা, মরাল লৈজদ্রবা মীগা
লম্বা-লম্বা মুক্লরকই. গলী গলীদা
কাচিন-কাচিন্দ, লমহাং লমহাংদ—
নেতা অয়াম্বা মরৈবাক্কীদমক্ থনবা
রাঙাং চফু হুন্দোক্লুনা শগাইদগী চোংথক্লুনা চেনখি—
থরাই হিংলগা লোইরে থন
মখোয়না শগাই মথক্কু ভোংদুনা প্রজা মীয়ামদা রাশক্লম্বী
মরাল লৈজদ্রবা নুপী অঙাংনা মংদা পোথাখি—
মরায়বক ফবা, অন্দোলন্দা নৈখিদবা
নুপি অঙাং কয়া, " সহিদ " কাখি
মণিপুর প্রজানা শ্রদ্ধাঞ্জলি কৎখি
পি শিন্থখি—
নেতাগী শগাই মথক্কুগী রাশক্কীদমক্ক
মণিপুর প্রজানা পি শিন্থখি
নেতাগী রাশক্কিদমক
পি শিন্থখি
মরাল লৈজদবা মী শিখি ৷

কান্নদে, খল্লগুমসি 'মত্তা

ঐখোয়ন চীংখাদ লেপ্তুনা লাওকই
চাওখৎপৈ চীংদোম্দ লেপ্লিবা অমদা
হে চাওখৎপ মীওই, সভা জগৎকী মীওই।

ভাজা 'সিদা—
লায়েকপদুনা ঐদোম্দা লানশিল্লকখি
চমক্লবা সয়াজগী অয়েকপা শক্তম অমা
মৈখুগা মৈগা তিন্নবা, মৈরিকপীদগী মৈজাওবী।
চমক্লবা অনিগী মরম খঙকোদনা ফমখখি ॥

ভাজা সিদা—
চংশিল্লকুনা কানি চাবদুনা চিরেংল্লে—
নাকোংদ তুমিন্না—
মনাৎ য়াওদ্রবা ভাইবং
অচুম্ব লৈত্রবা মালেম
ধর্ম্ম য়াওদ্রবা সংসার
অসুম্না চাওখৎপবু পান্নীত্রা ?
খল্লুস্ন, অমত্তা, খল্লুসু—তুম্মু
কানিসি থকচিল্লগা পংবমখৈ
কান্নদে খল্লগুমসি অমত্তা—থম্মোই মন্নবনি।

লমহুই নাহেবগী শাসন

কুদগী হোৌগৎলকপদা ভাইরিবা
অশোনবা নাহেবা লমহুই অদুনা
শামুগণ্ডা, কৈ, শওম, য়োংজাও মরক্তা
রায়েল কাট্টি লাক্কুনা, সিংহাসন ফম্লি—
নারক-শিংলক, লোক-তাই
চীং-মান্দগী উকু-রাকু শেন্দুনা লাক্লগা—
লৈবাক নিংথৌ শেম্লগা, রায়েল শাসন ভৌবা উৎসা
ব্রহ্মানা মকোক হাপচিনগে থন্দুনা
শক্তি হানবা মকোক থর
লাইগী মকোক ওইবা থর
থর পুরক্কুনা
খুৎহৈবা মিসত্রি পুরক্কুনা লাকখি।
লাইগী মকোক্তি হাপ্লমদ্রে
শক্তি হানবা মকোক হাপ্লম্লগা
লেংপ্রে ব্রহ্মা স্বর্গদা—
হরাওনরে, চোংঙে মীয়াম—
মকোক য়াওনরে হায়দুনা, অদুবু রায়েন শাসন্দি
অদুমক ভৌরি কুদগী হৌগৎলকপা
লমহুই নাহেবা অদুনা।

পুবিথি ঐবু মানা পৃথিবীদগী

পুবিথি ঐবু মানা
    পৃথীদগী মফম অদুদ

ও ইবংদস্তু মতুদস্তু ঐনা উত্রিব
য়াথলদস্তু থম্মোইদস্তু করিগুম্বা ফাওত্রিবা
মফম অদুদনি, মানা পুবিব।
মফম অদুদনি, ঐনা য়েংথিবা।
    সনাগী সহর, সনাগী দলান
    সনাগী লৈবাক, সনাগী থাবল ॥
পুথিথি ঐবু মানা, পৃথীদগী মফম অদুদ ॥

হুজিক্কী ঐখোয় তুমথরে
হুজিক্কি ঐখোয় তুমথরে
    কা অদুদ মাবু ঐমা থনম্বা
    তুমথখি ইতোস্ত চাংয়েংনি থন
    পুন্সি চাংয়েং অমনি থন
কুংশিবদি লৈ মতম চুপ্পদা
য়েন্নবদি লৈতে মতম থুদিংদ
    ঐবু লমজিংবিথি অমুক্তা অমোঘা
    লম্বী অমদা মানা খুৎশয়হুনা।

ঐনা থঙনিংবা ৱাহংগী পাউথুম
তেংনবা পিখি, হংক্রিরৈদ পাউখুম
ঐনা থংনিংবা পামজবা পাউখুম
অনৌবা স্না লৈবাক্কী ৱাৱীগা ।
চুশিনথি ঐগী ৱাখল মতমগা ।

খোঙনা চঙে ঐশায়না
ভগানবা খোঙকুমদগী ঐথোয় অনি
'চুমক লেপ্পনা চৎলি ঙসিফাও

হে তাইবংপান—
ঙোংলকউ মখোয়না ঐবু
উথিনি মখোয়না ঐবু
মফম 'সিদা
লৈচিনগী দোলাইদা তোংচুনা
চঙ্গি চা কয়াদগী লৈরক্লবা মফমসিদ
হোৎনরকউ—
হোৎনরকুই, ঐদি কয়ারক
পৃথ্বীদগী মফম অতুদ পুবিবা
মানা ঐবু কয়ারক হন্না, হন্না হন্না কয়ারক ।

সাহিত্যগী য়াওল্

মউন শেংখি
অহৈ-অপা শাবা কৃটিক খর,
অনৌবা কবিগী মথ্ৎজিন তন্নানা
ফক্কাইদুনা ঈ থকখি, ঈ খুজোক খুজোক
পেন্না থকচিনখি—ঈ খুজোক খুজোক

খর লৈবগা খবরদা থেংনখি-
মীগীনা ঐগী ওইথোকপা
কবিগী মউল লিংলম্বা রাখল রাইবা গধা খর
সাহিত্য বিপ্লবী খরনা রাহৈগী নোংমৈ কাপশিন্দুনা
মশা ফাওবা থিব খঙদনা হাংখিবা

মতম অদুদ লাওরকখি
করুং পাউ অমনা—
মৈতৈ লৈবাক শিনবা থুংনা
তাদবা তাহৌরো, তাহৌবস্ত খঙহৌরো
পোকপ্রবনি রাঙবাজি, খোঙনাং থাবা,
কোনোক থেঙ্গা, অমুক হন্না
মপোক অমা অমুক হন্না।

সনথোং অনি :—

ঙরাং ঙসি হয়েংনা কোয়শিল্লবা
মতমগী মীরোলনা চৎখি
হয়েংগী থাজবা ফংননবা
কোয়শিল্লিবনি পল্লোল পল্লোল
পিল্লবা পৃথ্বীনা চাওরবা জগৎপু
পৃথ্বীনা চাওরবা জগৎপু
ক্রমথরকখি পৃথ্বীদগী পৃথ্বী তম্না
মী কয়া,
হঙ্গৎখি ইতিহাসনা ইতিহাস তম্না
নিংথৌরোল কয়া,
তান্নরকখি মীওইবনা মীওইবা তম্না
মতম কয়া।
ঽাংখৎখি লৈচিলনা লৈচিল তম্না—
ঙমখৈ কয়া।
অদুবু ঈরোলন্নুংদ ঈরোলন্নুংদ
লৈরোল চনখি, লৈরোল কয়া
কাওগ্রু লৈরোল লিশিং লিশিং
মশিং থিংঙমদবা লিশিং লিশিং

সভ্য যুগকী ৱারীদা
থরাই মঙা পানবা মীনা
অচুম্বা মমাই পান্দুনা হিংলম্মী
মশা অনি পাললম্মী
মৱোল ভরামরি কোয়নবা।
লম্লোংদ লেপ্পু,না কদোমদা কদাইদা ?
কদোমদা কদাইদা ?
তথকপা মিৎয়েংনা মাইকৈ লেপ্লবা লাক্করি
লমথুংফম য়োনবা লম্থেল।
লমথুংফম য়োনবা লম্থেল।।
মপুক্লিংনা চংশিনবদনা মশানা চৎলু য়াদবা
মশানা চৎনিংবদনা মশানা থললু ঙমদবা।
লম্থেলদা লাইদোনা ভোরবা মীওইনা
মি কয়াগী ৱাখল ওইহনখি
মি কয়াগী ৱাখল ওইহনখি ।।

অসুম্না, অসুম-অসুম, অসুম অসুম
চারোল শুথাং লিশিং লখা য়েনা
অসুম-অসুম অতৎপা লৈভনা লৈরক্লবসিনা
ঙসিদি পাথংবা ফম্বাল কারে
ভাইবং পুস্থা হরাওরে

মথৌবুংদ
য়াকাবুংদ ॥

-·'তুমু, লেম্পাদি থক লৈতে
কোয়শিল্লক্লম্মী পল্লোন পল্লোন
অস্নন্না অস্নম খর-খর, খর-খর
মাইকৈ পুম্বদৈ খর-খর, খর-খর
পৃথ্বীদগী পৃথ্বী তম্না খুন্দ্রাগ্রবা
মীয়াম ময়াম্বদুনা চপশিল্লক্লীবগী মরক্ত
পুন্সি 'সিগী লাম্মী ওইদুনা চোংথোরকখি।
শেম শাখি লাম্মী ভেঙ্গোল-ভেঙ্গোল
লাম্মেংননবা 'পান' গী কাংবু অসিবু।—

তাঞ্জাসিদা থৌনা হাপকৎলুকই
অকনবা নোংশাগী লাল্লাওদা
অনৌবা নোংপোক পাম্থোইবীনা
চংশিল্লু-য়'ল্লু
পোকপদৈ শিজরক্লবা মী হাৎলু—।
অদুবু—
কলি যুগকী অরোইবা কুমজা চংলক্লবদা
অহিংবা
থরাই মরিনা শাবা মীচুদি
থাক্লম্মু, অনৌবা চারোল-শুরোলগী
তাইবংগী লিচৎ মাংদনবা, তাইবংগী।

লাল্লাও-খোল্লাও ভাবদা
শেম শাদুনা লান্মী ভেঙ্গোল চেনশিনখি
অনৌবা থৌনাগা, অশাংবা থাংশাংগা
শিননবগী হিংবা কাংবুদ চোংশিল্লি, য় লি
চোংশিল্লি য়াল্লি, শিননবগী হিজবা কাংবুদা।
শিজরবা মী হাৎলুবদগী
ময়াই কারক্লবা লমহুইনা চিক্লক্লবা হুই অহাওবগুম
কোয়চেল চেল্লি, মনিং ভমলে কায়দুনা লাও-খোংদুনা
ভেঙ্গোল ময়ামদুনা লাওখি, নিং-ভমলে হুজিক্তী
নিং ভমলে হুজিক্তী ॥
অদুবু খাজিল্লি চেকপলনা পল্লোন-পল্লোল
খারিবা পল্লোন্দা ভেঙ্গোল মরক্তগী খরনা
অমম্বা অহিংদা চেন্তোরকলে, লোম্না-ভপনা বনা খঙদ
কৌনদুনা মখোয় খর
কৌনদুনা মখোয় খর
অদুবু পূম্নমক কান্নখিদ্রে
মাইকৈ অমম্ভদা চৎপা য়ারমদ্রে
খাজিল্লমলে চেকপলনা পল্লোল পল্লোল
চেকপলনা চেকশিন্না হাংনা চাওনা
কাখৎকে চেন্তোক্কে খন্দুনা মাকই
কাখৎকে চেন্তোক্কে খন্দুনা মারুই
মারুবদা থেংনখি,

চেকপলদুদ লকাং চারম্লবা
অহকপা অশাবা মূর্তি কয়া
খঙবা ঙমখিদ্রে, লাকশিনবা ঙমখিদে
কনানা করিনো হায়বা তেঙ্গোলদুগী মরক্তা
কনা অমত্তনসু তাংদাংবা মশক, তশেংবা ॥
অসুম্না লৈরিবৈগী তাল্লক্তা
থাশি নিনি রাংলৗবৈগী থাবল মঙ'ম্না
মঙালনা ল'নবলদুদ পুমঙাল ঙাম্ন ফাওজিল্লকখি—
অমম্বা পুম্নমক কোকহন্দুনা অমম্বা
থাবল মঙালনা যৈদুনা অমম্বা ॥
অসুম্না অসুম য়েংখিবদা থেংনখি
মাইকৈ ভম্বা অমুকসু—
ফাওরবা টানসেনগী ঈশৈগী সুর খোঙ্গেলবু
মফম অদুদ পৈশিন্দুনা থনম্বা
মাইকৈ অমদনা—
লাই কোটি ৩৩, বুদ্ধদেব, যীশু, কৃষ্ণ
মাইকৈ অমদনা—
হেঙ্গুনহা, থোইবী, নোংমাই পেঙঙা
অমত্তসু ককাইবা ঙমদ্রে,
অমত্তসু কিম্বুবা ঙমদ্রে;
থর মথৈনা হুসাইদগী
লানবন্দুদগী চেম্বোকখিনবা ল্যাক্সবদা

চোকথরবা মশাশিংদু থাবলগী মঙালগা
নোঙাল্লমদাই মুংশিংনা ঐয়বদা
তুমখুল হুন্নি মুঙাইনা, তুমখুল হুন্নি মুঙাইনা
হোৎনবগী মহৈ য়াম্রবা
হকচাং অদুনা লোংনা ঙা—
অমখক্তংদি চোকথরবা মশানা
মনা য়াওব্রবা উ-পাম্বী অমগী মশাদ
ঙাথদুনা য়েংলি, থাবল মঙালনা ঐয়রবা
অহকপা অশাবা মূর্ত্তি কয়া, শক্তম কয়া
অমমমত ওইনা, অমমমত ওইনা
মথং-মথং, অসুম-অসুম
অমুক য়েংবা হোৌরকই—
য়েংলি মিৎ কুপ্তুনা, য়েংলি মিৎ কুপ্তুনা
চংশিন্দুনা য়েংলি, মাদুনা য়েংলি ।
অমুক্তু থেংনথি, উখি
মহাভারতকী লানফমদা য়েক্লবশিংবু খুৎলাইনা নমহত্তুনা
হকচাংগী ঙমথৈদ জয় তৌরবা মাই পাক্লবা অর্জুনা
নিংহন্নবা লৈভনা থম্মোইদ চাওরবা লচ্ছেংনরিবা
অদুবৈঙদগী—
(মত্তোম্ভ) ঙসিসু লোইদ্রি
হয়েংসু লোইখিরোই পৃথ্বীনা লৈরিমথৈ লোইখিরোই
থম্মোই রাকমগী বীচার

কমানা লেপকনি
খম্মেইগী লোইবা নাইত্রবা য়াকৎপু ।
মতম অদুদ
মানা ঙাথরিবা মনা য়াওত্রবা পাম্বীদুদ
লৈ পোম্নকখি, শাৎখি, অদুদৈ কেনখি
অসুম অসুম ! অসুম ! অসুম অসুম
লেকথরকখি চোথয়বা মশাদু
উইথরকখি
পংথরকখি
অসুম্না ঙৈহাক উইরোল ভোরুরগা
মিৎকপ থোরক্লবা মতুংদ, মাইকৈ অমদা 'মুক
ওনশিন্দুনা স্নেংখি
থে'কফম লৈত্রা খিখি
কদায়দা হকচাং চনবা মফম লৈরিগবা ?
কদায়দা অঙাংবা থোকখিনবা মফম লৈরিগবা ?
করি খরি,
লোংন হায়খৈ
কোক্ত থুৎ হাপ্পুনা
হান্নগীদ ঐবু অসুম
হান্নগীদ ঐবু অসুম
কদায়দনো ? কদায়দনো ? ঐনা নাম্বোক্তদবা ?
অসুম্না চঙক্ররিঙৈদ

উচিন নাচিন্না অভোম্বা স্নথোং অমা থেংনরে
চপ মুংনা খল্লে—
মসিদগী হল্লক্লরোই খন্দুনা
শৎলে পৌরোল তপ্না,
জাংদোক্লে থোং
মসিনা হেন্না ওকথ্রে 'মুক্তা
ঈরৈ কয়ানা উংশিল্লবা ঈরাওখোন্না থম্রবা ঈপাক
ঈপাক্কু উবদা সমুদ্রদগী হেন্না পারবোই নিংই,
নৈথ্রি ঈপাক্কু শরা শন্না
থম্মোইগী অপাম্বা পেন্দবা কল্লক-মীহৌগী
ঈরৈশিংনা খুরক হাংদমখে, তাসিন তাসিন উংশিল্লিবা
নৈথ্রি মিৎয়েংনা লাকশিনবা ওয়ৈ রাংমদা
খল্লি,
লাম্হোক্লবদি ঈপাকসে, মানা নিংজরকপা কয়দু
শোয়দনা ফংগনি হায়বৈ আশাদ
হোনগে খল্লে হি, পাইখৎলে নো
নত্রগা — কবিথম্ব ওমদ্রগা
উত্তামদা কোল্লগা লাম্হোক্লগে খল্লে।
থৌরাং পুম্নাক্ লোইথ্রে.
যেংথৈ, মশাগী ফিভম, মথৌনা—
মশাগী ফিভমনা চহি তম্থাই চল্লবা
মমি শাম্নবা ফজবা মাংলবা হকচাংদ,

অমুকস্ত য়েংই ঈপাক্তুদ
অনিদু চাংদম্নরুবগী চঙক্লুদুনা মুপাহু
শিরবন্ত ঐ তেঙ্গোল লক্ত ঐ
চংশিনখি ভুংহন্নদুনা অমম্বদুদ
অদুবু. য়েংলুবগা তাকশি শোনখি—
ঈপাক্তী ব্রাংমদা নোরবা মঙাল
"মতম চুম্নগী মুঙাইবা ফংগদোবা মতৌ
লাম্থেংনবা লৈতবা, লৈতাবগী ব্রাখল।"
ফমথখি 'মুক ঙাথদুনা
ঙসাই ঙাথখিবা মনা য়াওদ্রবা পাম্বীদুদ।।
অদুবু চপশিন্নকপদি লেপ্তে
অস্তম অস্তম কক কক
চেকপল্লশিংদুনা অস্তম অস্তম কক কক
অতৎপা লৈতনা কক কক
মাইকৈ মরিমক্তগী কক কক
উপায় লৈত্রে খল্লদুনা
অমুক্তা পোথাপ্রে উ-পাম্বীদুদ ঙাদুনা—
য়েংবদি লেপ্তে—
অস্তম্না অস্তম য়েংখিবদা
থেনরক্রে তামগা অমুক স্নথোংগী পুরোল
লৈজবী থাদুনা ঙমজবা উস্তুনা শৎলে পুরোল

চৎলগে নিংলে এশ্বো থাঙ্গৎলে
হিংলে খল্লে, চেংগে নিংলে
অডুবু, মিংঙ্গম্বি লম্বেন্দু উবদা
মাগী লৈরিবা খরগা পাম্বুংফমগা য়েংনবদা
থঞ্জানবা লেপ্‌থি
লেপ্পনা মুংডসি শুবংগী লম্বেনচুগী
লমথাফম অদুদা, মিৎয়েংনা ডম্বুথে
য়ে বদা উথি লোকচপকুম্বা অস্থম অস্থুম
হুইদেম শানা থুজিনখি—
মুশিন মুশিন ইমম-মম, মিৎয়েংনা পনখি
লাওরম্বদগী চপ্পা খুজিমখিবা, অমম্বা লম্বেল।
(মতোন্ত সুংশাম্বর শাংনা হোন্দোক্লগা)
কমদোনা লম্বেলসিদ খোংডসি থাংশিগে
খল্লিডৈগী তাল্লক অসিদা
অকনবা নোংলৈ-সুংশিৎ অমগা লোয়নবা
লৈফুল-লৈচেং, নমথিবা মনম
শক-ওাক্নগী মচেৎ মচেৎ, মাহেখোল, তেংথাখোল
চৈরকসিদ মীগী মশাক মাস্ত্রিবা
মখাগী তঙ্খাইনা মীওইবা
মথককী তঙ্খাইনা শাওইবা
মীয়োল-শায়োল পুম্বা ডাংবা অমনা
অস্থুম অস্থুম মাগী মাইকৈ তম্বা

অস্তম অস্তুম ম্নাগী মাইকৈ ভম্না
কিমমগ্রন্তুনা থোঙ থিংজিনগ্রে
পৌরোল থাজিনগ্রে
হায়গুম মুকস্থ শুপাজু
চেকপলনা ইথ' থাজিনবা লানবন্দুদা
চেকপলনা ইথা থাজিগ্নহুদ অমুক্ষু
উপাক্ত লৈত্রহুনা ফমথখি
ফমথখি, তুমিন্না চুবা মেৎতুনা
ভোইথি পাম্বৌন্দুদ হান্নগী
অহুবু
লানবনদুগী চেকপলনা চপশিল্লকপদি
থক লেপ্পা লৈতে
খর-খর ! অস্তুম অস্তুম
মহৈগথংদদি অস্তুম অস্তুম চপশিল্লকপনা
অস্তুম অস্তুম চপশিল্লকপনা
লানবলগী অকোয়বা চেকপলদুনা
শুপ্পগী ফুট ১০০গী অকোয়বতমক ভাইশিল্লক্লে ·

থক্তদি ঙমহৈঙ লৈতনা ঋাংই—
পাইথৎপা ঙমদে
থাদ ঙমহৈথ লৈতনা লুথখি—
তৌবগী লোইদ্রে—

কদোমদনো ?   কদায়দনো ?

কদোমদনো ?   কদায়দনো ?

লেপ্তুনা চপশিল্লক্রবসিদা লাওরক্ই খোল্লাও থাদনা

লৈজবী থাড়না, মখনাও শেগাইমখৈ

কম্না-কৌনা লাওনা পৃথ্বী শেগাইমখৈ

ব্রজ ১০০০ তাথরকপৈ মখোলগা মান্নখৈ

ঐতদি হায়দুনা 'ঐতদি' ।

অদুবু লেপ্তুনা চপাশিল্লকই

লেপ্তুনা অস্তুম চপশিল্লকপনিনা লেপ্তুনা

অস্তুনা চপশিল্লকপনিনা লেপ্তুনা

পুন্সিগী মিৎয়েংস্তু অস্তুম ২ খুজিল্লক্লি—

অটু ১০০দগী ১০´ ৯´ ৮´ ৭´ ৬´

৯´ ৮´ ৭´ ৬´

অস্তম্না লেপ্ন লৈতনা চপশিল্লকপসিনা

কোয়শিল্লক্লীবা চেকপল খুদিংমক্না

অমগা অমগা থেঙ্গাইনরক্কুনা

নিংখাইরকখি লানবন অদু

পুক্লিংনা পাংদিংলম্লবা মুপাদুগী

ইতিহাসস্তু নিংখাইরকপদা য়াওখি

অস্তম্না লোইশিনখি মী-মীগী ইতিহাস

মতম অদুদত ইহাং হাংখি মফমদু

স্নথোং অনি ফংন-ফংনা

হোৎনবা কিদুনা থোকখিদে

অদুমক শিখি লানবন্দুদ ॥

[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible] [illegible]
[illegible] [illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]